**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 01-12-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) লোক সভাদা ঙসি মণিপুর গুদস এন্দ সার্ভিসেস টেক্স সেকেন্দ এমেন্দমেন্ট বিল ২০২৫ পাস তৌখ্রে।

২) লাঞ্জেন্নরিবশিং মশাগী ময়ুম ময়ুমদা হঞ্জিনহন্দুনা খুন্দা লৈতাহন্নবা থবক থৌরাংশিং হেন্না য়াংশিন্নবা রাজ্য সরকারনা রাজ্য অমদি জিলা থাক্কী কমিতিশিং শেল্লে।

৩) মণিপুরদা ঙসি ৱার্ল্ড এইদস ডে থৌরম তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোকখ্রে।

৪) ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী কৈরাউ বিত্রদা অফ্রিকান স্বাইন ফিভর থেংনরে, কিলোমিতর ১ গী অকোইবদা ওক পুথোক পুশিন তৌবা অমদি য়োনবা থিংখ্রে।

অমসুং

৫) সরকারনা হায়রি- হৌজিক ফাওবদা পি.এম. বিশ্বাকর্মা স্কিমগী মখাদা খুৎ-শা হৈবা মীওই কোতি ২ লাখ ৭২ হেন্না মীং চনখ্রে।

------

সংসদ ঃ লোক সভাদা ঙসি মণিপুর গুদস এন্দ সার্ভিসেস টেক্স সেকেন্দ এমেন্দমেন্ট বিল ২০২৫ পাস তৌখ্রে। বিল অসি কেন্দ্রগী শেল থুম মন্ত্রি নিরমালা সিতারমন্না ঙসি নুংথিল খন্নদুনা পাস তৌনবা সভাদা পুখৎলকখি।

অনৌবা বিল অসি মণিপুর গুদস এন্দ সার্ভিসেস টেক্স এক্ট ২০১৭ শেমদোকবা পুখৎলকপনি। মন্ত্রিনা বিল অসি পুখৎলকপদা বিরোধিনা সভাদা চরাংনবা থোকখি। তুংদা ভোইস ভোৎতা বিল অসি পাস তৌখিবনি।

লোক সভাদা ঙসি মীফম হেক হৌবগা বিরোধিনা তোঙান তোঙানবা রাজ্যশিং অমদি য়ুনিয়ন তেরিতোরিশিংদা স্পেসিয়েল ইন্তেন্সিভ রিভিজন পাঙথোকপগী ৱাফম য়াওনা তোঙান তোঙানবা ইসু কয়া পুখৎলকপদগী চরাংনবা থোক্তুনা সভাগী মীফম হঞ্জিন হঞ্জিন য়েথোকখি। তোঙান তোঙানবা ৱাফম কয়া পুখৎতুনা খোল্লাউ কয়া লাউদুনা সভাগী ৱেল তমা চংশিল্লকখি। মখোয়না এস.আই.আরগী ৱাফম নিংথিনা খন্ননবা দাবী তৌখি। সভাগী চরাংনবা মরক্তা শেল থুম মন্ত্রিনা হিদাক মনাগী পোত্থোকশিংদা এক্সাইজ দ্যুতি লৌবগা মরী লৈননা সেন্ত্রেল এক্সাইজ এমেন্দমেন্ট বিল ২০২৫ পুথোকখি। মন্ত্রিনা হেলথ, সেক্যুরিতি এন্দ নেসনেল সেক্যুরিতি সেস বিল ২০২৫ সু পুথোকখি।

ঙসি সভাগী মীফম হৌদোকপগী অধ্যক্ষ ওম বিরলানা ওবিচুআরি রিফরেন্স পীখি অমদি সভাগী লৈখিদ্রবা মীওইশিংদা ইকায় খুমবা উৎখি। সভানা ধরমেন্দ্র, রিটায়ার্দ কর্নেল সোনা রাম চৌধুরি, প্রোফেসার বিজয় কুমার মালহোত্রা অমসুং রবি নাইক্কী মফমদা ইকায় খুমবা উৎখি।

আইদিপি (এল)ঃ রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা রিলিফ কেম্পশিংদা চংজফম লৌদুনা লৈরিবা লাঞ্জেন্নরিবা মীওইশিং খুন্দা লৈতাহন্নবা অমদি মশাগী ময়ুম ময়ুমদা হঞ্জিনহন্নবা থবক থৌরাংশিং পায়খৎনবা রাজ্য সরকারনা রাজ্য অমদি জিলা থাক্কী ওইবা কমিতিশিং শেল্লে।

সরকারগী চেরোল অমনা হায়- রাজ্য থাক্কী কমিতি অসি চীফ সেক্রেরিনা চেয়ারমেন অদুগা স্পেসিয়েল নত্রগা এদ্দিসনেল সেক্রেতরি হোমনা কনভেনর ওইগনি। মসিদা ফাইনান্স, হোম অমসুং রুরেল দিভলপমেন্ট এন্দ পঞ্চায়াতিরাজ বিভাগকী কম্মিসনারশিং মেম্বর ওইনা য়াওরি। হায়রিবা কমিতি অসিনা রাজ্য অসিদা লৈরিবা আই.দি.পিশিং মশা মশাগী ময়ুমদা হলহন্দুনা খুন্দা লৈতাহন্নবা হোৎনবদা মতম মতমগী থোরকপা সমস্যশিং য়েংশিনবা, সরকারগী

বিভাগশিংগী মরক্তা নিংথিনা পাউ ফাওনহনবা অমদি অপুনবগী ব্রারেপ লৌবনচিংবগী থবকশিং য়েংশিনগনি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়- মসিগা মান্ননা জিলা থাক্কী ওইবা কমিতিশিংসু শেল্লে। হায়রিবা কমিতি অসিগী চেয়ারমেন মরী লৈনবা দিপ্যুতি কম্মিসনারশিংনা ওইগনি। অদুগা এদ্দিসনেল দিপ্যুতি কম্মিসনারশিংনা কনভেনর ওইগনি। হায়রিবা কমিতি অসিদা দি.আর.দি.এগী প্রোজেক্ট দাইরেক্তর, জিলা পরিষদশিংগী চীফ ইকজিক্যুতিভ ওফিসার অমদি মরী লৈনবা এস.দি.ওশিং মেম্বর ওইনা য়াওরি।

অমরোমদা, কোওর্দিনেতিং কমিতি ওন মণিপুর ইন্তিগ্রিতি (কোকোমি) অমসুং আই.দি.পিশিংগী অপুনবা মীহুৎ কাংবু অমনা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লা অমসুং চীফ সেক্রেটরিদা ঙসি চেরোল অমা পীদুনা আই.দি.পিশিং দিসেম্বর থা অসিগী মনুংদা মশা মশাগী য়ুমশিংদা হঞ্জিনহন্দুনা খুন্দা লৈতানা লৈহন্নবা তকশিনখ্রে।

এইদস (এল)ঃ মণিপুরদসু ৱার্ল্ড এইদস ডে থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসি মণিপুর ষ্টেট এইদস কন্ট্রোল সোসাইতিনা শিন্দুনা ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম দেভলপমেন্ট সোসাইতি(এম.এস.এফ.দি.এস)গী ওদিতোরিয়মদা পাঙথোকখি।

পালন থৌরম অসিগী চহী অসিগী ওইবা হীরমনা অয়েৎ অপন নমখাইদুনা এইদস থেংনবদা অওনবা পুরকপা হায়বসিনি।

থৌরম অসিদা রাজ্য হেলথ অমসুং ফেমিলি ৱেলফ্যারগী কম্মিসনার সুমন্ট সিংহনা হায়- মীয়াম হুপা ঐচ.আই.ভি-এইদসকী লম অসিদা হোৎনমিন্নমিন্নদুনা লায়না অসি করমা লাকশিনগদগে হায়বদু হোৎনশি। মীপুম খুদিংমকা মশা মশাগী তৌদবা য়াদ্রবা থৌদাংনি খন্দুনা মীপুম খুদিংমক লায়না অসিদগী ঙাকথোকবা থৌরাংশিং পায়খৎশি। মরুওইনা মহৈরোই অমসুং নহাশিংনা এন.জি.ও অমসুং সরকারগা খুৎশমদুনা ঐচ.আই.ভি-এইদস অসি মুথৎনবা হোৎনবদা থৌদাং য়ামিন্নশি।

থৌরম অদুদা হেলথ সর্ভিসেসকী দাইরেক্তর ডা.এম.হেমন্ত কুমার সিংহনা হায়- মতম অমদা অকিবা ফংনা লৈরন্বা ঐচ.আই.ভি-এইদসকী অরানবা থাজবা অদু ঙসিদি লৈরক্ত্রে। ঙন্না লায়না অসি খঙদোক্তুনা হিদাক চাহৌবনা মীওইবগী পুন্সি কনবা ঙম্মী। রাজ্য অসিগী এন.জি.ও কয়ানা লম অসিদা থবক তৌদুনা মীওই কয়াগী মতেং পাংলি।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা নেসনেল রেড রিবন ক্বিজ কম্পিতিসনদা মকোক তারক্লবা মীওইশিংসু মনা মথুম পীদুনা ইকায় খুমখি।

থৌরম অসিদা মণিপুর এইদস কন্ত্রোল সোসাইতিগী প্রোজেক্ত দাইরেক্তর শামিম অহামদ সাহ অমসুং সোমোরজিৎ শলাম, রাজ্যগী হকশেলগী স্পেসিয়েল সেক্রেটরি কেংগ্রু জ্‌রিংলা শরুক য়াখি।

ডে (এল)ঃ ৱার্ল্ড এইদস ডেগী পালন থৌরম অসি বিষ্ণুপুর জিলাদসু দিষ্ট্রিক্ত এইদস প্রিভেন্সন এন্দ কন্ত্রোল কমিতিনা শিন্দুনা জিলা অসিগী ওল্ড চীফ মেদিকেল ওফিসকী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখি।

থৌরম অদুদা জিলা অসিগা দিপ্যুতি কম্মিসনার পুজা এলাংবম, চীফ মেদিকেল ওফিসার ডাঃ এল. রাইচন্দ্র, দিষ্ট্রিক্ত টি.বি. ওফিসার ডাঃ এস. রোজেন্নচিংবা শরুক য়াখি।

জিরিবাম জিলাদসু ৱার্ল্ড এইদস ডেগী থৌরম পাঙথোকখি। চাইল্ড ৱেলফ্যার আশ্রম জিরিবাম অমসুং ফিফতি বেদেদ হোস্পিতাল নিংশিং খুল জিরিবামনা পুন্না শিন্দুনা হোস্পিতাল অসিদা থৌরম অসি পাঙথোকখিবনি। থৌরম অসিদা জিরিবামগী চীফ মেদিকেল ওফিসার ডাঃ বিনয় প্রসাদ শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা তোঙান তোঙানবা এন.জি.ও অমদি ঈ-পাউগী লমদা লৈরিবা মীওইশিংনা ঐচ.আই.ভি-এইদসকী মতাংদা ৱা ঙাংখি।

স্বাইন ফিভর (এল)ঃ ইম্ফাল ইষ্ট জিলাদা ওকতা নাবা অফ্রিকান স্বাইন ফিভর থেংনরে হায়রি। জিলা অসিগী এদ্দিসনেল দিপ্যুতি কম্মিসনারনা থোকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না লায়না অসি ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী কৈরাউ সি.দি. ব্লোক্কী

মনুং চন্না লৈবা কৈরাউ শলাম লৈকাইগী ওক ফার্ম অমদা থেংনরকখিবনি। ফার্ম অসিগী কিলোমিতর অমগী অকোইবদা লৈবা ফার্মশিং ইনফেক্তেদ জোন ওইরে হায়না লাউথোকখ্রে। মসিগী মতুংইন্না মফম অসিদা ওক পুথোক পুশিন তৌবা, শেমদোক্লবা ওকশা য়োনবা থিংলে। ইনফেক্তেদ জোন মনুংদা লৈরিবা ওকশিং হাৎপগী থবক ভেটেরিনারি এন্দ হজবেন্দরি বিভাগকী ওফিসিয়েলশিংনা পাঙথোকবা চেরোল অসিনা খঙহল্লি।

দেঙ্গি (এল)ঃ মণিপুরদা ঙসি মীওই ৮ নৌনা দেঙ্গি পোজিতিভ ওইবা থেংনখি।

পুন্না সেম্পল ৩২ টেষ্ট তৌখি। রিমস হোস্পিতালদা সেম্পল ১৬ টেষ্ট তৌবদা মীওই ৩ পোজিতিভ ওইখি। জেনিমস হোস্পিতালদা মীওই ১৬ টেষ্ট তৌবদা মীওই ৫ পোজিতিভ ওইখি।

নুপীলাল (এল)ঃ ঙসিদগী হৌদুনা থাবুম অমা চুপা পাঙথোক্কদবা নুপীলাল নীংশিং থাবুম থৌরম ইম্ফালগী ইরাবত ভবনদা পাঙথোকপা মীফম অমগা লোয়ননা হৌদোকখ্রে। ওল মণিপুর নুপী মরুপ মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়- মীফম অসিদা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী লাকপা এরিয়া কমিতিগী মেম্বরশিং শরুক য়াখি।

তমেংলোং (এল)ঃ তমেংলোং জিলাগী লোংকাউদা শারিবা রাণিমা গাইদিনলিউ ফ্রিদম ফাইতর ম্যুজিয়ম শেম্বা শাবগী থবক থৌরমশিং থিন্থবগা মরী লৈননা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লাদা অইবা চেরোল পীশিনখ্রে হায়রি। ফেদরেসন ওফ ওল ত্রাইবেল য়ুথ ক্লবস মণিপুরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়- রাজ্যপালদা পীশিনখিবা চেরোল অদুদা ওল ত্রাইবেল য়ুথ ক্লবস মণিপুরগী মাইকৈদগী ম্যুজিয়ম অসি শাবদা থিন্থরিবা অসি অথুবা মতমদা রাজ্যপালনা মীৎয়েং চংদুনা পায়খৎপা য়াবা থবক থৌরমশিং পায়খৎপীনবা তকশিল্লি।

ব্লড (এল)ঃ   ৱার্ল্ড এইদস ডেগা মরী লৈননা ঙসি লেমা ঈ দান তৌবগী থৌরম অমা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লমদেংদা পাঙথোকখ্রে। লাইফ সেভরস মণিপুর, আর.দি.ও কলেজ ওফ নর্সিং অমসুং ঐচ.দি.এফ বেঙ্কনা পুন্না খুৎশমদুনা শিনবা কেম্প অসি ওল ইন্দিয়া ব্লড দোনেসন দ্রাইভকী শরুক অমনি।

সিসিএসকে (এল)ঃ   মণিপুর অসি তোঙান তোঙানবা কাংলুপ ফুরুপ কয়ানা পুন্দুনা অমত্তা ওইনা খুন্দামিন্নবা লমদম অমা ওইরি। মরম অসিনা কনাগুম্বা অমত্তনা ফুরুপ অমগী মতাংদা অথিবা ৱা ঙাংবা অমদি হুন্দুনা ঙাংবা তৌগুমশি হায়না এম.এল.এ- থাংজম অরুন কুমারনা হায়রি।

কমিতি ওফ সিভিল সোসাইতি কংলৈপাক (সি.সি.এস.কে)না শিন্দুনা ইম্ফালগী শোইবম লৈকাই সিতিজন্স ক্লবতা পাঙথোকখিবা মসিগী ১১ শুবা ফাউন্দেসন ডেগী থৌরমদা লমদম অসিদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপ মশেলগী মরক্তা ফুরুপ অমনা অৱাবা তারকপা মতমদা অতোপ্পা ফুরুপ অমনা নুংঙাইবা ফোংদোকপা থৌরম অমদি ৱাফমশিং সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা অমদি ফোংদোকপা অসি তৌদনবা আপীল তৌরদুনা  শ্রী অরুন্না হায়- অসিগুম্বা থৌওংশিং অসি তৌদবনা হান্না ইংনা চিকা লৈজরম্বা মণিপুরগী ফিভম অদুদা হঞ্জিল্লকপা ঙমগনি।

থৌরম অদুদা এম.এল.এ খোংবানতাবম ইবোমচা অমদি সি.সি.এস.কেগী লুচিংবশিং য়াওনা থৌমীশিং শরুক য়াখি।

হৈরোক (এল)ঃ   বি.জে.পি হৈরোক মন্দলনা শিন্দুনা নোংমগী ওইবা মন্দল অসিগী ৱার্করশিংগী ওইবা মীফম অমা ঙসি থৌবাল জিলাগী হৈরোক্তা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা হৈরোক কেন্দ্রগী এম.এল.এ- থোকচোম রাধেশ্যাম, বি.জে.পি হৈরোক মন্দলগী প্রসিদেন্ট থোকচোম চৌরজিৎ য়াওনা দল অসিগী কারিয়ার্কতা কয়ানা শরুক য়াখি। মীফম অদুদা দল অসিদা নৌনা য়াওরক্লবা মীওইশিংসু তরামা ওকখি।

টিবি (এল)ঃ থৌবাল জিলাগী খোংজোম প্রাইমারি হেলথ সেন্তরদা দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি থৌবালগী মখাদা নেসনেল টি.বি. ইলিমিনেসন প্রোগ্রাম থৌবাল য়ুনিতনা শিন্দুনা নোংমগী ওইবা টি.বি. লায়না খঙমিন্নবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসিদা টি.বিগী মতাংদা মীয়াম পুন্না খঙমিন্ননবা অখঙ অহৈশিংনা ৱা ঙাংখি। থৌরম অদুদা দিষ্ট্রিক্ট টি.বি. ওফিসার অমদি তোঙান তোঙানবা হকশেলগী লমদা লৈবা মীওইশিং অমদি আশা অমসুং অঙ্গনৱারি ৱার্করশিংসু শরুক য়াখি।

মেট (এল)ঃ ইন্দিয়া মিতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল সেন্তরনা হায়রি- ঙসি অমসুং হয়েং ফাওবদা রাজ্য অসিগী জিলা খরদা লৈচিল কুংনা থাগনি। সেন্তর অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না ঙসি অমসুং হয়েং রাজ্য অসিগী ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, থৌবাল, ককচিং অমসুং চুরাচান্দপুর জিলালশিংদা লৈচিল কুংনা থাগনি।

রাজ্য সভা ঃ সরকারনা হায়রি- হৌজিক ফাওবদা পি.এম. বিশ্বাকর্মা স্কিমগী মখাদা খুৎ-শা হৈবা মীওই কোতি ২ লাখ ৭২ হেন্না মীং চনখ্রে। স্কিম অসি ২০২৩ দা হৌদোকখিবনি। স্কিম অসিনা তোঙান তোঙানবা ত্রেদিসনেল ত্রেদ ১৮ দা খুৎনা অমসুং তোঙান তোঙানবা খুৎলায়শিং শিজিন্নদুনা খুৎ-শা হৈবগী পোত্থোকশিং পুথোক্লিবা মীওইশিংবু চহি ৫ চুপা তেংবাং পীরি।

রাজ্য সভাদা ঙসি মাইক্রো, স্মোল অমসুং মেদিয়ম ইন্তরপ্রাইজেসকী রাজ্য মন্ত্রি সোভা কারন লাজেনা অইবা চেরোল অমগী পাউখুম পীরদুনা হায়- বেনিফিসরি লাখ ২৩ হেন্না স্কিল ত্রেনিং পীখ্রে। বেনিফিসরি লাখ ৭ হেন্না লুপা কোতি ২৩ হেনবগী শেনফমশিংগী দিজিতেল পেমেন্ট তৌখ্রে।

মোদি ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা নীংথম হৌদ্রিঙৈ মাংওইননা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা হায়- পাঙথোক্কদৌরিবা মীফম অসি মতম মতমগী ওইনা তৌদবা য়াদবগী তৌবা নত্তে। মীফম অসিনা লৈবাক অসিবু হেন্না চাওখৎপগী লম্বীদা

লমজিংনবনি। মহাকা হায়- লৈবাক অসিগী শেল থুমগী ফিভম শিংথানিঙাই ওইনা ফগৎলক্লি। মসিনা লৈবাক অসিবু চাওখৎপা লৈবাক অমা ওইগনি হায়বগী থাজবা অদু ভারতমচাশিংদা ফাওহল্লে।

প্রধান মন্ত্রিনা রাজনীতি দলশিংদা নীংথম মীফম অসি রাজনীতি দলশিংগী য়েংথিনবগী লানফম ওইহনগুমশি, মসিনা লৈবাক অসিবু মায় পাকপা অমসুং হেন্না চাওখৎপা লম্বীদা পুরকবা লমলোমদা চংশিনশি।

রাধাকৃষ্ণন ঃ রাজ্য সভাগী চেয়ারমেন সি.পি. রাধাকৃষ্ণন্না সভা সদস্য খুদিংমকা সভাগী নিয়ম ঙাকা চৎনবা আপীল তৌখি। ঙসিদগী হৌখিবা রাজ্য সভাগী মীফমদা শ্রী রাধাকৃষ্ণন্না হায়- সদস্যশিংগী মথৌদি লৈবাক অসিগী মীয়ামগী অনিংবা অপান্বশিং অদু থুংহন্নবা হোৎনবনি। মহাকা হায়- গনতন্ত্র চৎপা লৈবাক অমদদি মীয়ামগী মরক্তা অৱাংবা থাক্তা লৈগে হায়রবদি পুকচেল চাউবা, ৱাখল তাবা তাঙাইফদে। লৈবাক অসিগী নাগরিকশিংনা লৈবাক অসিদা অচুম্বা ৱায়েল সভা অসিদগী পুথোরক্কনি হায়বগী থাজবা থমরি। মখোয়গী থাজবা অদু সভাগী সদস্য খুদিংমকা কৈদৌনুংদা মাংহল্লোইশি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ফুটবোলঃ ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী মখাদা চথরিবা অহুমশুবা প্রিমিয়র লিক ২০২৫-২৬ কী ঙসি সেক্তাগী এস.এস.সি. গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা শগোলবন্দ য়ুনাইতেদনা অংথা এফ.সিবু পাঞ্জল ১০-১ দা থোইখ্রে।
অতোপ্পা মেটচ অমদা- সোসিয়েল স্পোর্টিং ক্লবনা ওল মোইরাং ফুটবোল এসোসিয়েসনবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখি।

ফুটবোলঃ ২১ শুবা অসাম রাইফলস, মোদি ভিলেজ অমসুং দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন চান্দেলনা পুন্না শিন্দুনা চান্দেল স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা চথরিবা কার্গিল ব্রেভ হার্ট মেমোরিয়েল ফুটবোল তুরনামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা

মেটচতা নারিংখু ৱাই.সিনা মোদি সি.এস.সিবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা মোন্সাং পি.ৱাই.সি.সিনা জিওনলাং এস.ৱাই.সিবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখি।

ক্রিকেটঃ ১০ শুবা এম.এন.সি.এ. প্লেট টুর্নামেন্টকী ঙসি লাইরেঞ্জম পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা লিগ মেটচতা- ৱাই.য়ু.সি.সি. ক্বাকৈথেল মোইরাংপুরেলনা আর.আর.সি.সি চুরাচান্দপুরবু ৱিকেট ৬ তা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা পি.এস.সি খোয়াথোংনা নপসা খা ইম্ফালবু রন ৮৬ তা থোইখি।

ক্রিকেট ঃ আগরতালাগী এম.বি.বি. ষ্টেদিয়মদা চথ্নরিবা ৱিমেন অন্দর ত্বেন্তি থ্রি টি-ত্বেন্তি ত্রোফি প্লেটকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা নাগালেন্দনা মণিপুরবু রন ১৫ দা থোইখ্রে।

ওকপা ঃ আর্টিষ্টিক জিমনাষ্টিক মশান্নদা ষ্টেট অমদি নেসনেল লেবেলদা তকমান কয়া ফংলকখ্রবা শান্নরোই ইম্ফাল ইষ্টকী মিনু থোং গোলাপতিদগী শান্নরোই মুহমদ মুক্তাদির আলিবক পু ঙসি মিনু থোং ফাইজ্যা হাই মাদ্রাসাদা হরাউ তয়ামা ওকপগী থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। শান্নরোই অসি স্কুল অসিদা ক্লাস সভেন তম্লিবা মহৈরোইনি। মহাকা চহি অসিগী নবেম্বর ৬ তগী ৯ ফাওবা উত্তর প্রদেশতা পাঙথোকখিবা নেসনেল জিমাষ্টিক চেম্পিয়নসিপতা শেঞ্জেংগী তকমান ফংলকখি। ৪৩ শুবা ষ্টেট লেবেল আর্টিষ্টিক্স জিমাষ্টিক চেম্পিয়নসিপতনা সনাগী তকমান ৪, লুপাগী তকমান ৩ ফংখি।

------